# য়ু বি এফ সীবু পাঞ্জল ২-০ দা মায়থিবা পীদুনা কে এস সীনা ৱিন্নর্স কপ ২০২১-২২ গী টাইটল লৌখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১২ (ঐচএনএস): বাবিনা হেল্থ কেযর এন্দ হোস্পিটালিটি প্রাইভেট লিমিটেদনা স্পোন্সর তৌরগা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা ২৫ শুবা থাংজম বিরাচন্দ্র-মাইপাকপী মেমোরিয়ল ৱিন্নর্স কপ ফোর মেন ২০২১-২২ গী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা কে এস সী কাংপোকপীনা য়ু বি এফ সী উখ্রুলবু ২-০ দা মায়থিবা পীদুনা ৱিন্নর্স কপকী টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

ঙসিনুংথিল পুঙ ১.৩০ তারকপদা লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা অর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অদুগী হৌগৎলকপদা টিম অনীমক্না য়াম্না হৈ শিংনা অমনা অমগী মায়কৈদা পাঞ্জল চন্নবা শান্নখি। মেটচকী অহানবা হাল্ফ মতম লোইরমদাই ফাওবা টিম অনীমক্না পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি। মেটচ অদুগী ৪৫ শুবা মিনিটতা খঙহৌদনা কে এস সী টিমনা য়াম্না য়াঙনা য়ু বি এফ সীগী মায়কৈ তম্না পুশিল্লকখিবা অদুবু টিম অসিগী জর্সি নম্বর ১১ সৈনিওনা য়াম্না হৈনা শিংনা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখিবদগী অহানবা হাল্ফকী মতম লোইবা ফাওবদা কে এস সীনা পাঞ্জল ১-০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফকী শান্নবা হৌগৎলকপদা য়ু বি এফ সীগী মায়কৈদগী কে এস সীনা চনশিনখিবা পাঞ্জল অদুবু হন্দোক্লবা অকনবা মওংদা হোৎনখি। টিম অনীমক্না ৱিন্নর্স কপকী টাইটল অসি লৌদবা য়াদে হায়দুনা অকনবা মওংদা মশা মশাগী অহৈবা উথোক্তুনা শান্নখি। শান্নরিবা প্লেয়রশিংগী হৈ শিংবা উবদা অয়েংবশিংসু য়াম্না নুংঙাইখি। মাগী মাগী টিমনা থোইদবা য়াদে হায়দুনা য়েংলিবশিংনসু পুক্লিং থৌগৎপা ৱাহৈশিং লাউনখি।

টিম অনীমক অনীশুবা হাল্ফ কী মিনিট খরদি অমনা অমবু লাকশিনবা ঙম্নখিদে। মেটচ অদুগী ৭৭ শুবা মিনিটতা কে এস সী টিমনা খঙহৌদনা চথুরকখিবা কাউন্টর ষ্ট্রাইক অমগী খুদোংচাবা লৌরগা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ১৫ রোবিনসননা য়ু বি এফ সীগী মায়কৈদা পাঞ্জল অমগা অমুক চনশিন্দুনা ২-০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। কে এস সীনা পাঞ্জল অনী চনশিনখ্রবা মতুং য়ু বি এফ সী টিমগী প্লেয়রশিংনা পাঞ্জল অদুবু হন্দোক্লবা অমুক্কা হেন্না কন্না শান্নরকখি। অদুবু কে এস সীগী হৈ শিংলবা দিফেন্দরশিংনা য়ু বি এফ সীনা পুশিল্লকখিবা বোলশিং পাঞ্জল অমত্তা ওন্থোকপা ঙমহনখিদে।

কে এস সীনা কাংপোকপীনা য়াম্না চেকশিন্না শান্নখিবনা মরম ওইরগা মেটচ অদুগী অরোইবা মতম ফাওবদা য়ুবিএফসীনা পাঞ্জল অমত্তা হন্দোকপা ঙমখিদবদগী কে এস সীগী মখুত্তা পাঞ্জল ২-০ দা মায়থিবা নংদুনা ৱিন্নর্স কপকী টাইটল লৌনবা মঙজরম্বা মঙলান অদু মঙফাওনবা ঙমখিদ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী মেটচ কম্মিস্নরনা এস জেমস কুমার, রেফ্রি এসেসরনা সী ঐচ কৈলানি, রেফ্রিনা কে ঐচ রঞ্জিত, এসিস্টেন্ট রেফ্রিশিং ওইনা এল অশানন্দা অমসুং এস ওনিলনা মথৌ তৌখি। অদুগা মেটচ অদুগী ফোর্থ ওফিসলনা এন ইবুঙোনা ওইখি।

পনবা য়াবদি ২৫ শুবা থাংজম বিরাচন্দ্র-মাইপাকপী মেমোরিয়ল ৱিন্নর্স কপ ফোর মেন ২০২১-২২ দা পুন্না লমদম অসিগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্তশিংদগী লাকখিবা টিম ১১ না শরুকয়াখি। টিমশিং অদুদি কেএসসী কাংপোকপী, এ এস এস এ থৌবাল, কে আর এফ সী মোইরাং, ইলবেন ষ্টার এস য়ু ইম্ফাল ইষ্ট, ঐচ ৱাই সী চান্দেল, এম সী কে বিষ্ণুপুর, য়ু বি এস এ ককচিং, য়ু বি এফ সী উখ্রুল, জি এস ৱাই সী লোনপী, জেট এল ৱাই সী চুরচান্দপুর অমদি পময়াল ইম্ফাল ৱেষ্টনি।

ঙসিগী মেটচ অদু লোইরবা মতুং ৱিন্নর ওইখ্রবা টিম কে এস সী কাংপোকপীগী প্লেয়রশিংবু মেটচ অদুবু য়েংবা লাকখিবা মীওইশিংনা থাগৎপা ফোংদোক্লখি। ওর্গনাইজরশিংনা ৱিন্নর্স কপকী টাইটল লৌবা কে এস সী টিমদা ৱিন্নর ট্রোফি অমদি কেস এৱার্দ ওইনা লুপা ৫০,০০০ খুৎশিন্নখি। অদুগা রন্নর্স অপ তাহৌরবা য়ু বি এফ সী উখ্রুল টিমদনা ট্রোফি অমদি কেস প্রাইজ ওইনা লুপা ৩০,০০০ খুৎশিন্নখি। ৱিন্নর্স কপ অসিগী টাইটল লৌখ্রবা কে এস সী অমসুং রন্নর্স অপ তাখ্রবা য়ু বি এফ সীবু অস্ফা কপতা য়াওবা য়ারগনি হায়নসু ওফিসল ওইনা লাউথোকখি।

# কেরলা ব্লাষ্টর্স এফ সীনা ওরিষ্য এফ সীবু ২-০ দা থোইদুনা পোইন্ট টেলিগী মকোক্তা লৈখ্রে






পনাজি, জন্যুৱারী ১২ (এজেন্সি): গোৱাগী টিলক মৈদান ষ্টদিয়মদা ঙসি নুমিদাং পুঙ ৭.৩০ দগী হৌরগা ওরিষ্য এফ সী অমসুং কেরলা ব্লাষ্টর্স এফ সী অনীগী মরক্তা শান্নখিবা হেরো ইন্দিয়ন সুপর লীগকী মেটচ অদুদা কেরলা ব্লাষ্টর্স এফ সীনা ওরিষ্য এফ সীবু ২-০ দা মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট টেলিগী মকোক্তা লৈখ্রে।

নাকল অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অঙনবা মতমদা টিম অনীমক্না চাং মান্ননা শান্নখিবদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। মেটচ অদুগী ৬শুবা মিনিটতা কেরলা ব্লাষ্টর্স এফ সীগী সাহলনা ওরিষ্যা এফ সীগী দিবোক্স তম্না পুশিল্লক্তুনা কাউশিনখিবা বোল অমা ও এফ সীগী কিপরনা সেভ তৌখিবদগী পাঞ্জন ওন্থোকপা ঙমখিদে। মেটচ অদুগী ১৫শুবা মিনিটতা কে বি এফ সীগী দিফেন্দরনা ও এফ সী টিমদা ফাউল তৌরুবগীদমক রেফ্রিনা মেটচ অদুগী অহানবা য়েলো কার্দ বুক তৌখি। কে বি এফ সীনা মখা তানা বোল পায়বগী চাং হেনখিবগা লোইননা মেটচ অদুগী ২৮শুবা মিনিটতা ও এফ সীগী মায়কৈদা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। কে বি এফ সীগী পাঞ্জল অদুবু ও এফ সীনা হন্দোক্লবা অকনবা মওংদা এটেক্টশিং চৎথখি। অদুবু মেটচ অদুগী ৪০শুবা মিনিটতা কে বি এফ সীনা খঙহৌদনা কাউন্টর এটেক্ট অমা চথুরকপদগী ও এফ সীগী প্লেয়রশিংদা চাওনা অৱাবা মায়োক্লহনখি। কে বি এফ সীনা কাউশিল্লকখিবা বোল অমা কিপরনা সেভ তৌরবা মতুং আউট তাবদগী কোনর কিক কাউবগী খুদোংচাবা কে বি এফ সীনা ফংখি।

কোনর কিক অদু কে বি এফ সীগী লুনানা য়াম্না ফজবা মওংদা কাউরকখি। মহাক্না কাউরকখিবা কোনর কিক অদুবু কে বি এফ সীগী হর্মাজোট খাব্রানা হেদিং তৌশিন্দুনা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখিবদগী হাল্ফ মমাং ফাওবদা পাঞ্জল ২ চনবা ঙমদুনা ২-০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। অনীশুবা হাল্ফকী অরোইবা মতম ফাওবদা ও এফ সীগী মায়কৈদগী পাঞ্জলশিং অদু হন্দোক্লবা হোৎনরবসু মায়পাকপা ঙমখিদবদগী কে বি এফ সীগী মখুৎতা মায়থিহৌখি।

# স্প্রিন্টর দিওন লেন্দোরে কার এক্সিদেন্টতা শিরে

স্পেন, জন্যুৱারী ১২ (এজেন্সি): ট্রিনিদাদ অমসুং তোবাগোগী মমিং লৈরবা ওলিম্পিয়ন দিওন লেন্দোরে য়ু এস এগী টেক্সাসতা থোকখিবা কার এক্সিদেন্ট অমদা শিখ্রে হায়না টেক্সাস দি পি এসনা ফোঙদোরক্লি।

মশাগী চহী ২৯ শুরবা ওলিম্পিয়ন অসি ওলিম্পিক গেমস অহুম্লক শরুক য়াখ্রবা শান্নরোই অমনি। ৪০০-মিটর স্প্রিন্টর অসিনা হৌখিবা কুমজা ২০১২ দা লন্দনদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসতা অহানবগী ওইনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখিবনি। হৌখিবা কুমজা ২০২০ দা টোকিওদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেভসতসু শরুক য়াখি। চহী নৌরিবা শান্নরোয় অসি লৈবাক অসিগী ওইনদি য়াম্না মরুওইবা শান্নরোই অমা ওইবতা নত্তনা ২০২৪ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পক গেমসতা গোল্ড লৌবা ঙম্নবা কন্না হোৎনরিবনি। মহাক লৈখিদবা অসিদা লৈবাক অসিগী মীয়াম অমদি শান্নরোই কয়ানা পেন্দবা অমসুং নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লরক্লি।

পনবা য়াবদি ৱার্ল্ড ইন্দোর চেম্পিয়নশিপ্তা লৈখ্রিদবা শান্নরোই অসিনা ব্রোঞ্জ মেদল অহুম্লক ফংবা ঙমখ্রে। কুমজা ২০১৫ দা পাঙথোকখিবা ৪X৪০০ স্প্রিন্টরদনা সিলভর মেদলসু লৌখিবনি।

# এস য়ু শগোলবন্দ য়ুনাইটেদ অমসুং দব্লিয়ু এ এফ এ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১২ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা ১৪৩ বট্টালিয়ন সী আর পি এফ অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা ১২রকশুবা সহিদ মনোরঞ্জন সিংহ মেমোরিয়ল ষ্টেট ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২২গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এস য়ু শগোলবন্দ য়ুনিট অমসুং দব্লিয়ু এ এফ এ মায় পাকখ্রে।



তাকয়েল সাই কমপ্লেক্সতা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফগ্রাউন্দদা ঙসি অহানবগী ওইনা এস য়ু শগোলবন্দ য়ুনাইটেদ অমসুং কে এল এ এস এ এফ সী (কৈনৌ) টিম অনীগী মরক্তা শান্নখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নবা হৌখ্রবা মতুং মেটচ অদুগী ২৯ শুবা মিনিটতা এস য়ুগী জর্সি নম্বর ১০ পাউখোঙামনা কে এল এ এস এ এফ সীগী মায়কৈদা অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। এস য়ুনা চনশিনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা কে এল এ এস এ এফ সীনা অকনবা মওংদা হোৎনরবসু অহানবা হাল্ফকী অরোইবা মতম ফাওবদা মায় পাকপা ঙমখিদবদগী এস য়ুনা পাঞ্জল ১-০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অহানবা হাল্ফ লোইরবা মতুং অনীশুবা হাল্ফকী শান্নবা হৌগৎলকপদা টিম অনীমক্না চাং মান্ননা শান্নখি। অদুবু এস য়ুনা মখা তানা অকনবা লাল্লোং কয়া চথুরক্তুনা মেটচ অদুগী ৫৯, ৬৩ অমদি ৮৪ শুবা মিনিটতা থংন-থংননা পাঞ্জল ৩ চনশিন্দুনা ৪-০ দা মাঙজিল থাখি। মেটচকী অরোইবা মতম ফাওবদা কে এল এ এস এ এফ সীনা পাঞ্জল অমত্তা হন্দোকপা ঙমদবদগী এস য়ুনা পাঞ্জল ৪-০ দা মায় পাকপা ঙমখি।

অনীশুবা মেটচতা দব্লিয়ু এ এফ এ অমসুং এম পি এস সী টিম অনীগী মরক্তা শান্নখি। নাকল অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুদা অহানবা হাল্ফ অমদি অনীশুবা হাল্ফকী অরোইবা মতম ফাওবদা পাঞ্জল ১-১ চন্নদুনা দ্রো চৎখি। মখা তারকপা ওইনা টিম অনীগী মরক্তা কাউনখিবা পেনালটি শুটআউটতা দব্লিয়ু এ এফ এনা পাঞ্জল মরী অমদি এম পি এস সীনা পাঞ্জল ২ খক্তমক চনবা ঙমখিবদগী দব্লিয়ু এ এফ এনা পাঞ্জল ৫-৩ দা এম পি এস সীবু মায়থিবা পীখি।

# বর্সেলোনাগী মিদফিল্ডর ফিলিপ কোটিনহো এষ্টন ভিলাদা য়াওখ্রে

লন্দন, জন্যুৱারী ১২ (এজেন্সি): বর্সেলোনাগী মমিং লৈরবা মিদফিল্ডর প্লেয়র ফিলিপ কোটিনহো এষ্টন ভিলাদা য়াওখ্রে। টিম অসিদা মহাক্কী জর্সি নম্বর ২৩ ওইগনি অমদি থা ৬ কী ওইনা এষ্টন ভিলাদা মহাক শান্নবা হায়না য়ানখিবগা লোয়ননা মহাক্না হায়রিবা মতম অসিদা এষ্টন ভিলাদগী মিলিয়ন পাউন্দ ৩৩ লৌগদৌরি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা শান্নরোয় অসিনা ফোঙদোকখিবদা, হৌজিক এষ্টন ভিলাগী টিম মেনেজর ওইনা লৈরিবা ষ্টেফেন গেরাদনা য়াম্না কন্না হায়রকপদগী মহাক বর্সেলোনা থাদোক্তুনা টিম অসিদা য়াওখিবনি। এষ্টন ভিলাগী মেনেজর ষ্টেফেন মহাক্না লিভরপুল এফ সীদা হান্না শান্নমিন্নরকখি। মবান্নিগী মরক্তা হান্নদগী হৌদুনা অফবা মরী লৈরকখি। এষ্টন ভিলাগীদমক মহাক্কী অহৈবা খুদিংমক পুথোক্তুনা শান্নগনি হায়রি। এষ্টন ভিলাগী মরুওইবা শান্নরোই জেক গ্রিলিসনা টিম অসি থাদোক্তুনা মেনচেষ্টর য়ুনাইটেদতা য়াওখ্রবা মতুং মহাক্কী মহুৎ শিন্নবা ওইনা ফিলিপ কোটিনহোবু টিম অসিদা য়াওনবা ষ্টেফেননা হায়জখিবনি হায়রি।

অমরোমদা এষ্টন ভিলাগী ৱিঙ্গর অনৱার অল ঘাজি হন্দক সিজন লোইদ্রিবা ফাওবা লোন প্লেয়র ওইনা ইভর্টনদা য়াওখ্রে হায়রি।

# প্রধান ট্রোফিগী ঙরাং শান্নখিবা মেটচশিংদা সী এফ এন এ বি এ অমদি জোন এফ সী মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১২ (ঐচএসএস): থা অসিগী ৫ দগী হৌরগা ইপুধৌ ইকোপ নিংথৌ মরু নোংশাবা শান্নবুঙদা হায়েল য়ং পোপুলর ক্লব, হায়েলনা শিল্লগা পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা প্রধান ট্রোফি-২০২২ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা জোন এফ সীনা ফুটবোল লভর্স (বি) বু ৩-২ দা মায়থিবা পীখ্রে অদুগা অতোপ্পা মেটচ অমদনা কে এল দি সী তোপশিফায়বু সী এফ এন এ বিএ হয়েলনা পাঞ্জল ২-১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুঙ ১২.৪০ দগী হৌরগা ইপুধৌ ইকোপ নিংথৌ মরু নোংশাবা শান্নবুঙদা শান্নখিবা কে এল দি সী অমসুং সী এফ এন এ বি এগী মেটচ অদুদা সী এফ এন এ বি এনা কে এল দি সীবু পাঞ্জল ২-১ দা মায়থিবা পীখিবনি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ৩২ শুবা মিনিটতা সী এফ এন এ বি এগী জর্সি নম্বর ৭ বিদ্যাশ্বরনা কে এল দি সীগী মায়কৈদা অহানবা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখিবদগী ১-০ দা মাঙজিন থাদুনা চৎখি। মেটচ অদুগী ৩৬ শুবা মিনিটতা টিম অসিমক্কী জর্সি নম্বর ১৬ অতোম্বনা পাঞ্জল ১ অমুক কে এল দি সীগী মায়কৈদা চনশিন্দুনা ২-০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। সী এফ এন এ বি এনা থংন-থংননা পাঞ্জল অনী চনশিনখিবা অদু হন্দোক্লবগীদমক কে এল দি সীগী মায়কৈদগী অকনবা মওংদা হোৎনখি। মেটচ অদুগী ৪১ শুবা মিনিটতা কে এল দি সীনা সী এফ এন এ বি এগী মায়কৈদা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমদুনা ২-১ দা লৈখি। অদুবু মেটচ অদুগী অরোইবা মতম ফাওবদা টিম অনীমক্না মখা তাবা পাঞ্জল চন্নবা ঙমখিদবদগী সী এফ এন এ বি এনা কে এল দি সীবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি। ফুটবোল লভর্স (বি) অমসুং জোন এফ সী টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা জোন এফ সীনা ফুটবোল লভর্স (বি) বু ৩-২ দা মায়থিবা পীখি। পাঞ্জলশিং অসি জোন এফ সীগী ওইনা সুভাসনা ২ অমসুং বোনিসননা অমা চনখি। অদুগা ফুটবোল লভর্স (বি) গী ওইনা রোসন অমসুং ইথোইনা চনখিবনি।

থা অসিগী ১৩ দগী হৌরগা ক্বার্টর ফাইনেলগী মেটচশিং শান্নবা হৌরগনি। অহৌবা নুমিৎকী পুঙ ১২.৩০ তাবদা লভর্স এফ সী (এ) অমসুং সী এফ এন এ বি এ, নুংথিল পুঙ ২.১০ দা সন্থেল এফসী অমসুং মরুপ এফ সী শান্নগনি।

# নুপীগীদা আইদেল ক্লব, ৱাই সী সী আই সী অমসুং নুপাগীদা এস ৱাই য়ু সী, ৱাই সী সী আই সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১২ (ঐচ এন এস): মণিপুর হোকিগী মীৎয়েং মখাদা হোকি প্লেয়র্স দিবলপমেন্ট টিমনা শিন্দুনা থা অসিগী ৯ দগী খুমন লম্পাক্তা শান্নবা হৌখিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল হোকি টুর্নামেন্ট য়ু-১৬ মেন এন্দ য়ু -২০ ৱিমেন, ২০২২গী ঙসি শান্নখিবা মেটশিংদা নুপীগী ওইনা ৱাই সী সী আই সী অমসুং আইদেল ক্লব মায় পাকখ্রে অদুগা নুপাগী ওইনা এস ৱাই য়ু সী উচেক্কোন অমসুং ৱাই সী সী আই সী কোন্থা অহল্লুপ মায় পাকখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুঙ ৮.৩০ তাবদা নুপী টিমগী ওইনা অহানবদা মৈরা বাশিখোং অমসুং আইদেল ক্লব অনীগী মরক্তা শান্নখি। মেটচ অসিগী অহানবা ক্বার্টরদা আইদেল ক্লবনা মৈরাগী মায়কৈদা পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখি। অনীশুবা ক্বার্টরদসু আইদেলনা পাঞ্জল ৪ অমগা অমুক চনবা ঙমখি। মেটচ অদুগী অহুমশুবা অমসুং মরীশুবা ক্বার্টরগী ওইনদি টিম অনীমক্না পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙম্নখিদে। মৈরা টিমনা পাঞ্জল অমত্তা কনবা ঙমখিদবদগী আইদেল ক্লবকী মখুত্তা ৬-০ দা মায়থিবা নংখি।

অনীশুবগী ওইনা ৱাই সী সী আই সী অমসুং টি দব্লিয়ু সী তবুংখোক টিম অনীগী মরক্তা শান্নখি। টিম অনী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদু ৱাই সী সী আই সীনা য়াম্না লাকচনা শান্নখিবগা লোয়ননা টি দব্লিয়ু সীগী মায়কৈদা পাঞ্জল ১১ চনখি। অদুবু টি দব্লিয়ু সীগী ওইনদি পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদে।

নুপাগী ওইনা টি দব্লিয়ু সী তবুংখোক অমসুং ৱাই সী সী আই সী টিম অনীগী মরক্তা অয়ুক পুঙ ৯.৩০ দগী শান্নবা হৌখি। মেটচ অদুদা ৱাই সী সী আই সীনা টি দব্লিয়ু সীবু পাঞ্জল ৩-০ দা মায়থিবা পীখি। অনীশুবা মেটচকী ওইনা এস ৱাই য়ু সী অমসুং কে সী দি ও কোংপালগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অরোইবা ক্বার্টর ফাওবদা কে সী দি ওনা পাঞ্জল ১ খক চনবা ঙমখি অদুগা এস ৱাই য়ু সীনা পাঞ্জল ৭ চনবা ঙমদুনা কে সী দি ও বু পাঞ্জল ৭-১ দা মায়থিবা পীদুনা মথং মেটচকীদমক শেম শাবা হৌখ্রে।

# ঙসিদগী আর সী সী প্রোগ্রাম নুমিৎ ১০ লেপ্পগনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১২ (ঐচ এন এস): য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী দিপার্টমেন্টেল প্রোগ্রাম অমা ওইরিবা আর সী সী প্রোগ্রাম হয়েংদগী হৌরগা নুমিৎ ১০ লেপ্পগনি হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা কোভিদ-১৯ না মরম ওইরগা তঙায়ফদনা প্রোগ্রাম অসি লেপ্পবা ফিরেপ লৌখিবনি হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা য়াসকী দিপ্যুটি দিরেক্টর টি থৌবানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয় খরা কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইবা থেংনখ্রে। মরম অদুনা মখা তানা অতোপ্পা শান্নরোয়শিংদা শোকহল্লক্তনবা লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুং চন্না খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা শান্নরিবা আর সী সী প্রোগ্রাম অসি নুমিৎ ১০ নি লেপ্পবা ফিরেপ লৌখিবনি হায়রি।

# জোকোভিকনা কোভিদকী মতাংদা মশাগী মরাল য়াজখ্রে



কেনবেরা, জন্যুৱারী ১২ (এজেন্সি): কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইরে হায়বা খঙলবা মতুং আইসোলেট তৌদুনা লৈবগী মহুত্তা মমাং থাদা প্রেস কনফরেন্স অমদা শরুক য়াখি হায়না নোভাক জোকোভিকনা মশাগী মরাল য়াজখিবগা লোয়ননা মহাক্কী ফিরেপ অদু য়াম্না লানবা ফিরেপ্নি হায়না নিংঙমদবা ফোঙদোকখ্রে।

হিরম অসিগা মরী লৈননা মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মহাক্না খন্থবা ৱাৎপদগী লৌখিবা ফিরেপ অদুগীদমক মীয়াম্না মহাকপু লান্না লৌবা তৌবীগনু। য়াম্না মরুওইবা মমাং থাদা পাঙথোকখিবা প্রেস কনফরেন্স অদু মহাক্কী পুন্সিদা য়াম্না মরুওইবা মরম্না কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইরে হায়বা খঙনা খঙনা কনফরেন্স অদু পাঙথোকখিবনি।

অহানবগী ওইনা পাঙথোকখিবা রেপিদ এন্টিজেন টেষ্টতা মহাক্কী রিজল্ট নেগটিব ওইনা লাকখি অমদি মহাক্কী হকচাংদা কোভিদ-১৯ গা মরী লৈনবা খুদম অমত্তা উবা ফংখিদে। মদুগী মতুং মহাক অমুক হন্না খরা এদভান্স ওইবা পি আর সী টেষ্ট তৌখি। টেষ্ট অদুগী রিজল্ট লাত্ত্রিকৈঙেদা মহাক্না মীয়াম তিনবা মফমশিংদা পাঙথোকপা থৌরমশিংদা য়াওখিবা অদু মহাক্কী পুন্সিদা খ্বাইদগী চাওবা অশোয়বনি। মহাক হৌজিক হৌজিক আইসোলেট তৌদুনা লৈরে। অমদি ভিসাগা মরী লৈননা থোকখিবা ৱাথোক অদুসু য়াম্না থোকহন্নিংদবা অমনি হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# ৱিমেন হোকি ইন্দিয়া টিমগী কেপটেন সভিটা পুনিয়ানা ওইরগনি



ন্যু দিল্লি, জন্যুৱারী ১২ (এজেন্সি): থা অসিগী ২১ দগী হৌরগা ২৮ ফাওবা ওমানদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱিমেন হোকি এসিয়া কপতা শরুক য়াগদবা লৈবাক অসিগী প্লেয়র ১৮ গী মমিং লাউথোকখিবগা লোয়ননা টিম অসিগী কেপটেন গোল কিপ্পর সভিটা পুনিয়ানা ওইরগনি হায়রি।


কপ অসিদা পুন্না টিম ৮ না লম্বা তৌনগনি। অপুনবা টিম ৮ অসিদগী মকোক থংবা টিম মরী অদুনা স্পেন অমসুং নেদরলেন্দসতা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱিমেন হোকি ৱার্ল্ড কপ ২০২২ দা শরুক য়াগনি। মরম অদুনা ইন্দিয়ানা ৱিমেন হোকি ৱার্ল্ড কপ ২০২২ দা শরুক য়াবা ফংনবগীদমক ইন্দোনেসিয়া, চাইনা, জপান, মালেসিয়া, সিঙ্গাপোর, সাউথ কোরিয়া অমসুং থাইলেন্দগী টিমশিংগা অকনবা লম্বা তৌনদুনা মরীশুবা পোজিসন ফাওবগী মনুংদা লৈবা ঙম্নবা হোৎনবা মথৌ তারি।

অমরোমদা ইন্দিয়া টিমগী কেপটেন ওইরম্বী রানি রামপাল হন্দক্কী শান্নবা অসিদা য়াওরোইদবা মরম্না গোল কিপ্পর সভিটা পুনিয়াবু টিম অসিগী কেপটেন ওইনা খনখিবনি। ভাইস কেপটেনননা দিফেন্দর দীপ গ্রেস ইকানা ওইরগনি হায়রি।

হোকিইন্দিয়ানা ৱিমেন হোকিইন্দিয়া টিমগীদমক মমিং লাউথোকখ্রবা প্লেয়রশিং অদুদি গোল কিপরদা সভিটা পুনিয়া (কেপটেন), রজানি ইটিমারপু; দিফেন্দরদা দীপ গ্রেস ইকা (ভাইস কেপটেন), গুরজিট কোর, নিকি প্রধান, উদিতা; মিদফিল্ডরদা নিশা, শুসিলা চনু পুখ্রম্বম, মোনিকা, নেহা, সিলমা তেতে, জ্যোটি নবজোট কোর; ফোরৱার্দকী ওইনা নভনিট কোর, লালরেমসিয়ামি, ভন্দনা কটারিয়া, মারিয়ানা কুজুর, শর্মিলা দেবি অমদি রিপ্লেসমেন্ট এঠলিটশিং ওইনা দিপিকা (জুনিয়র) অমসুং ইশিকা চৌধুরিনি।

কপ অসিগী টিম এদা ইন্দিয়া য়াওরি। অমদি ইন্দিয়ানা থা অসিগী ২১, ২৩ অমসুং ২৪ দা মথংশিংনা মালেসিয়া, জপান অমসুং সিঙ্গাপোরগা লম্বা তৌনগদৌরি।

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



## PUZZLE NO. 345

**FM Politov, Pavel Y. (2190) - IM Brunner, Nicolas (2415)**
**Titled Tuesday 28th Dec chess.com INT (1), 2021.12.28**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.e4 e5 | 2.Nf3 Nc6 | 3.Bc4 Nf6 | 4.d3 Be7 |
| 5.O-O O-O | 6.c3 d6 | 7.Bb3 Na5 | 8.Bc2 c5 |
| 9.a4 Nc6 | 10.Na3 d5 | 11.exd5 Nxd5 | 12.Nc4 f6 |
| 13.Ne3 Nf4 | 14.g3 Nh3+ | 15.Kg2 Be6 | 16.Bb3 Qd7 |
| 17.Qc2 Kh8 | 18.Bxe6 Qxe6 | 19.c4 Nf4+ | 20.gxf4 exf4 |
| 21.h3 fxe3 | 22.Bxe3 Rad8 | 23.Rad1 Qf5 | 24.Qc3 Qg6+ |
| 25.Kh1 Qh5 | 26.Kg2 f5 | 27.Bf4 Bf6 | 28.Qd2 Nb4 |
| 29.Qe2 Rfe8 | 30.Be5 Rxe5 | 31.Nxe5... | |

**QUESTION :**
**Black to win**

**Puzzle 344 Ans. :**

25. Rxd1 Qd8 26.Rxd8 Rxd8
27. Nc5 b6 28. Nb3 Ne4 29. Nd4 c5 30. Nxf5 gxf5
31. bxc5 Nc3 32. Bf3 bxc5 33.Bf4 Rd7 34. Qc2 c4
35. Qxf5 Rd2 36. Qc8+ Kh7 37. Qxc4 Rd7 38. Be4+ f5
39. Bxf5+ Kh8 40. Qc8+ Rd8 41. Qxd8+ Bf8 42.Qxf8#
1-0

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com